# অন্দর-১৪ আই এম এ ফুটবোল

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ ইরম সিফাই মগনানিমস এসোসিএশন (আই এম এ) ইরম সিফাইনা শিন্দুনা ইরম সিফাই য়াংবি গ্রাউন্দদা চথরিবা নুপাগী চহী ১৪ মখাগী ওইবা আই এম এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি লীগ শান্নবা লোইখিবগা লোয়ননা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা অমোফা একাদেমি মোইরাং অমসুং আই এম এ টিম এ ইরম সিফাইগা শান্নরগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতদা এম এস এস এস পাৎশোই অমসুং এম এফ এ কোন্থা অহল্লুপকা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম এফ এ কোন্থা অহল্লুপনা আই এম এ টিম বি ইরম সিফাই গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এম এফ এ কোন্থা অহল্লুপকী অহানবা গোল সনামচানা মেচকী ৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গোল রোহিটনা মেচকী ৭ অমসুং ৮ শুবা মিনিটতা চনখি। রোহেন্না গোল অনী মেচকী ১৭ অমসুং ৩১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী পূন্না গোল ৫ শুখি। মেচ মায়থীহৌরবা আই এম এ টিম বিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু বোইনাওনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নগদবা অনীশুবা মেচতা য়ু এফ সি উরিপোক লাক্তবদগী অমোফা একাদেমি মোইরাংনা ৰর্কওভর ফংখ্রে। ৩ শুবা মেচতা ঐচ এস ৰাই দি এ লাক্তবদগী এম টি এস য়ু টিম এ মালোম্না ৰর্ক ওভর ফংখ্রে। ঙসি মরিশুবা ওইনা শান্নগদবা মেচতসু এম এস এস পাৎশোইলাক্তবদগী ৰাফা ৰাঙ্গৈইনা ৰর্কওভর ফংখ্রে।



HL-B/2975/24/2-23/3

# ঐনা শান্নবা চৎপদা উরকপা খ্বাইদগী লূ-নানবা ফজবা লৈবাক্তি জপাননি ঃ সনামচা চনু



সনামচা চনু, ওলেম্পিয়ন লিফটর

হান্নগী মখা...

কুমজা ২০০০ গী সীদনি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখিবগী মতাংদা মতম অমগী মমিং লৈরম্বী ৱেথ লিফটর সনামচা চনুনা ৱারী খরসু অসুম্না পাউদম্বীরকখি, শান্নরোয় ওইরিবা ঐখোয় পুম্নমক্না শাগৎচবা অচৌবা মঙলান অমা হায়রগদি "ওলেম্পিক গেমস" অসিনি। মণিপুরদা পোকপা ঐগুম্বা লিফটর অমনা ওলেম্পিক এরেনা য়ৌখিবদু তরাই তরাইবা ৱাফম অমদি নত্তে। চাউর চাউরবা পল কয়া অমা লাল্লগা মফমদু য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুগা ওলেম্পিক গেমস হায়বসিগীদি পুংতোঙ তোঙানবা মশক অমসু লৈজে। ঐহাক মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা শান্নবুংদা ইমান্নবীশিংগা লম্বা তৌনগদৌরে খনবখক্তংদসু পূক্নিংদা নুংঙাইবা পোকচখি।

সীদনি ওলেম্পক্তা ঐহাক কেজি ৫৩ গী কাঙলুপ্তা কম্পিটিশন য়াওরকখি। গেমস অদুদা মালেমগী লৈবাক ১৫ গা ঐহাক্না চাংয়েং তৌনরকখি। চিনাগী য়াঙ জিঅ হায় গোল্ড মেদল, চাইনিজ টাইপেগী লী ফেঙয়িঙনা শিলভর, ইন্দোনেসিয়াগী ৱিনামী বিন্টিনা ব্রোঞ্জ লৌখি। ইন্দোনেসিয়াগী লিফটর অসিনা ঐঙোন্দগী হেনখিবসি শুপ্নগী কেজি অনী মখায়খক্তনি। ওলেম্পিক গেমসতগী মেদ পুরকপা ঙমখিদ্রবসু শরুক য়াজবা ফংবগী নুংঙাইখিবা অদুমদি ঙসিসু কাউদনা পূক্নিংদা লেংদনা লৈরি।

অমরোমদা, সনামচা চনু ৱেথ লিফটর ওইরিঙৈদা মালেমগী লৈবাক ৩০ রোমদা চৎতুনা মশান্না অসিগী তোঙান তোঙানবা কম্পিটিশনশিং এসিয়ন গেমস, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ, কম্মন ৱেলথ গেমসনচিংবা কয়াদসু শরুক য়ারকখি। মেদল কয়ামরুমসু লৌরকখি। মালেমগী লৈবাক ময়ামগী মনুংদা সনামচানা খ্বাইদগী নুংঙাইজখিবা পামজখিবা লৈবাক্তি জপানি। জপানগী লূ-নানবা ফজবা কয়াগী মতাংদা ভেটরান লিফটর অসিনা অসুম্না হায়রকখি, ইন্টরনেসনেল থাক্কী ৱেথ লিফটর অমা ওইরকপদগী মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোইনা চৎতুনা কম্পিটিশন কয়াদা শরুক য়াবসু ফংজরকখি। ঐনা চৎলকপা লৈবাক ময়ামগী মনুংদা ঐনা খ্বাইদগী নুংঙাইখিবা মফমদি জপানি।

জপানগী লূ-নানবা ফজবা উবদা য়াম্না



ৱেথলিফটিংদা মীৎয়েং অমা রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

সু ঙাওজখি। কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাইদ তৌখিবা মফমসু ঐগীদি জপান্দা ওইখি। লৈবাকসিদা লাইবক ফদুনা অনীরকসু চৎলকখি। পুন্সিদা অচৌবা আশা কয়া তৌখিবা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক অদুমদি ঐঙোন্দা খরা নুংঙাইখিদবা মতাং অমা ওইখি। চাবা থকপদা চেকশিলহৌদবা খরদগী ঐহাক নুংঙাইতনা নীংবা কায়না হল্লকখি। হায়রিবা ওলেম্পিক গেমস অদুদা মণিপুরদগী ইচে কুঞ্জরানিগা ঐগা শরুক য়াখি। ইচে কুঞ্জরানিসু ফোর্থ পোজিশন তারগা হল্লকখি। ঐহাকসু মতম খরা শান্নবা লেপখি। মরক্তুদা কুমজা ২০০৬ কী ফেব্রুৱারি থাদগী জুলাই থা ফাওবা থা তরুক পুলিস ট্রেনিং মথং মথং লোইশিল্লকখি। লোইননা কুমজা ২০০৬ কী জুলাই ১ দা হান্না ৱেথ লিফটিং শান্নরোয় ওইরম্বা দেল্লিদা লৈবা জয় দাগর কৌবা মীওই অসিগা য়ূম্বাল পুন্সিদা খোঙদামীন্নরকখি। য়ূম পাল্লবা মতুং কুমজা ২০০৬ কী ওল ইন্দিয়া পুলিস মীটতসু লেপ্তুনা শরুক য়ারকখি। লোয়ননা মেদলসু অদুমক লৌরকখি। কুমজা ২০০৭ তা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা ৩১ শুবা নেসনেল গেমসতসু ন্যু নেসনেল রেকোর্দ অমসুং গেমস রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা সনাগী মেদল লৌবা ঙল্লকখি। হায়রিবা চহীসিদা চিনাদা তৌখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতসু শরুক য়ারকখি। ফোর্থ পোজিশন তারকখি।

সী আর পী এফকী ট্রেনিং কোর্সসু মথং মথং লোইশিল্লকখি। কুমজা ২০০৮ দগী ইন্সপেক্টরদগী এসিস্টেন্ট কম্মান্দেন্ট কারকখি। ৱাফম অমনা সি আর পী এফতা হৌজিক মণিপুরগী মৈতৈ নুপী ৱেৎ লিফটর ১৭ রোম থবক তৌদুনা লৈরি। ফোর্স অসিদা লৈরিবা ৰুশু, জুদো, এঠলেটিক্সকী শান্নরোয়শিং মণিপুর মচানা অয়াম্বনি।

অদুগা ঐখোয়না সী আর পি এফতা জোইন তৌজরকপা মতমদদি শান্নবসিগী ৱাখলদা য়াম্না কন্না লুপশিন্দুনা মেদল লৌদবা য়াদে হায়বসিদা খল্লি। শান্নবগীনি হায়দুনা থবক চঙলক্লগা মেদল ফংদবা ঈকাই হায়দুনা প্রেক্টিশকাসি য়াম্না সিরিয়স ওইনা হান্নদগী হেন্নবু তৌরকখি। অদুবু হৌজিক নৌনা চঙলকপা অঙাংগা ঐখোয়গদি য়াম্না খেন্নরে। মখোয়দি থবক অমা ফংলে শান্নদবসু য়ারে হায়বগী মওংদা তৌবনি। অয়াম্বা ওইরে। মণিপুরদগী অপীকপা ৱেথ কেটাগোরিদা শান্নরম্বা অঙাংশিং মথং মথং ঙন্না পোথাখিবসিসু ঐহাক নুংঙাইতে। সঞ্জিতা চনুগা, মীরাবাইগা অনী অসিখক্তা ঙাইশিল্লক্লে মণিপুরী মৈতৈ নুপীগা খ্বাইদগী চান্নবা মশান্নসি, দিষ্ট্রিক্ট থুংনবা কোইচৎ চৎতুনা থীজিলহৌদ্রবদি ৱেথ লিফটিংদা অফবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্বা লিফযর থোরক্কনি থাজদ্রে। -মথং-মথং

# ওফা কপতা পুপু পুংদোংবম, এম এস সি পি ক্যামগৈ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ

ওরিয়েন্টেল ফুটবোল একাদেমি (ওফা) পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা ওফা গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা ওফা কপ ২০১৬ কী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ লোইখিবগা লোয়ননা পুপু পুংদোংবম অমসুং এম এস সি পি ক্যামগৈ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসিগী মেচতা মায় পাক্লবা টিম অনী অসিনা সেমী ফাইনেলদা অমুক থেংনরগনি। হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ৱাই দি সি এল পুংদোংবম অমসুং ওফা পুংদোংবমগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা পুপু পুংদোংবম্না এন ঈ ৱাই ও সঞ্জেনবম গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা পুপু পুংদোংবম সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। পুপু পুংদোংবমগী গোল অনী অদু কিরন্না মেচকী ১৯ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এম এস সি পি ক্যামগৈনা এস বি আর নোংদম গোাল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা এম এস সি পি ক্যামগৈ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মায় পাক্লবা এম এস সি পি ক্যামগৈগী অহানবা গোল ওকেন্না মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মিলটন্না মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা অদুগা বোনানা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৬১ শুবা মিনিটতা চনখি। এস বি আর নোংদমগী অহানবা গোল রাজুনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা অদুগা সোমানা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

# কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ

কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএশন (কে এস এ) না শিন্দুনা কুমজা ২০১২ দগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা কংলৈ মেলা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল হন্দক চহীগী ওইনা লাক্লিবা মার্চ ২২ দগী ২৭ ফাওবা মঙাশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএশন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।


চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হায়রিবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না মঙাশুবা কংলৈপাক মরাথোন রেস (কংলৈপাক লমশাং লমজেল) মার্চ ২৫ দা পাঙথোক্কনি।

লমশাং লমজেলসি নুপাখক্তগী ওইবা ওপন রেস ওইগনি। মসিদা শরুক য়ানিংবা লমজেল্লোইশিংনা মার্চ ২১ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিল্লকপা য়াগনি। হায়রিবা লমশাং লমজেল অসিগী ফোর্মশিং শর্ম্মা দিষ্ট্রিব্যুটর য়াইরিপোক বজার, ওজা বিজয় বুক ষ্টোর থৌবাল বজার, আই আর বুক ষ্টোর কাঞ্চিপুর, গ্লোরি বুক ষ্টোর পোলোগ্রাউন্দ, শঙাই ইন্টরপ্রাইজেস শিংজমৈ, ইলেক্ত্রো মোভি ইন্টরপ্রাইজেস লিলোং বজার, এ বি সি বুক ষ্টোর কোংবা বজার, সেনয়াই ইন্টরপ্রাইজেস লমলোং বজার, লৈনোং ফোটো ষ্টুদিও কোনুং মমাঙ, বি বি ষ্টোর ৱাংখৈ নিয়র ৱাংখৈ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং কে এস এগী হেদ ক্বার্টর কৈশাম্পাৎতগী ফংগনি হায়রি।

হায়রিবা মফমশিং অসিদগী ফোর্ম লৌবা অমসুং পীশিনবা য়াগনি। ইম্ফালগী অকোয়বদা চেনগদবা লমশাং লমজেল অসিগী অকুপ্পা মরোল মোবাইল নম্বর ৮৪১৫৯৯০৫৮৭, ৯৭৭৪৫৫৪৯২৪ অমসুং ৮২৫৭৯৪৩১৭০ দগী খঙলবা য়াগনি। লোয়ননা হেন্না কুপ্পা মরোলগীদমক কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিএশন (কে এস এ) দগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# এ এফ সি বি লাইসেন্স কোর্স

ইম্ফাল, মার্চ ০৪ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী থৌশিল মখাদা য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবা এপ্রিল ১১ দগী ৩০ ফাওবা এ এফ সি বি লাইসেন্স কোর্স পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএশন অসিনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



davp 15401/13/0093/1516



HL-B/2987/1-3March